# বোল্লিবোল মশান্নগী ওইনা ৱাংবা মান্নবা শান্নরোয়শিং শেমগৎলগা টুর্নামেন্ট তৌহন্নীংই ঃ এল বালেশ্বর



এল বালেশ্বর সিংহ
(ভেটরান প্লেয়র, বোল্লিবোল)




## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### বোল্লিবোলদা মিৎয়েং অমা

(হান্নগী মখা...)

হৌজিকসু বোল্লিবোল হায়বা মশান্নসিগী মতাংদা ঐনা পাঙথোকচগে খনবা থবক থৌরম খরা ৱাৎলি। অদুনা গেম অসিগী অশেংবা মশক হেন্না উবা ঙম্লনবা চঙশিনবা লেপত্রি। শাংলবা মতম অমা বোল্লিবোলগীদমক কখোত্লুনা লাক্লি। লোয়নন্না হৌখিবা চহী খরদগী বোল্লিবোল অসি হাইট মান্নবা কাঙবুগী কম্পিটিসন পাঙথোকপা য়ারোইদ্রা হায়বসিদসু ঐহাক রিছার্স তৌদুনা চঙশিঞ্জরক্লি। মরুওইনা মণিপুরী মচাশিংনা য়াম্না পামজবা গেম অসি মশক থোকপা ফীভম অমদা পুরকপা পাম্মী। ষ্টেটসিগী বোল্লিবোল শান্নরোয়শিং টেলেন্ট লৈতবা নত্তে।

ৱাংবা খরা ৱাৎপসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং অৱাংবা থাক য়ৌবা ঙমদবনি। হাইটকা মশান্নসিগা কয়াম মরী লৈনবগে হায়বসি ঐহাক্না কল্যান য়ুনিভর্সিটিদা এম পি এদ তৌজরিঙৈদসু কন্না খন্দুনা লাকখ্রবনি।

মতমদুদা সার ভোমিক্কা তান্নজদুনা ঐগী প্রোজেক্ট ৱার্ক দিজটেসনফাওবা তোপিকসিদা তৌজরকখি। সার ভোমিক্কা গাইদ তৌবিরকপসি নঙগী দেটা পূম্নমক মণিপুরদগী নিংথিনা খোমগৎলুরো। প্রোজেক্ট ৱার্কসি মিনি, সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র টিম মরিসিগী কম্পরেটিব ষ্টদি অমা তৌরে। অদুগা চহী মতাংসিদা শান্নরিবা প্লেয়রশিংগী মতিক মগুন, হৈশিংবা পার্ফোমেন্স ষ্টাইলশিং অদুদা বেজ তৌরগা নিংথিনা খেড়্নবশিং পুথোক্ল বা হোৎনরো হায়বীরকখি। অদুদগী মণিপুরদা লাক্লগা হীরমসিদা কুপ্না থিজিন্দুনা পুথোক্লকবা মতুংদা চাংয়েং তৌদুনা খেন্নবশিংদু মচা খায়না পুথোকচরকখি।

কম্পরেটিব ষ্টদিদু উবদা খেন্নবা খরসু ময়েক শেংনা উবা ফংজখি। ঐখোয়গী মিনি টিমগী পার্ফোমেন্সসি সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়রদগী য়াম্না হেন্না ফজরমখি। নেসনল চেম্পিয়নশিপ চৎলিবসিদা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ, থার্দগীদি অদুম ঙম্মী। সব জুনিয়র থাক্তগীদি হায়রিবা মচৎসি খরা কায়থরকখি। ষ্টেজসিদদি ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবদি চঙবা ঙম্মী। সেমী ফাইনেলদি য়ৌবা ঙমদে। অদুগা জুনিয়রদদি ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা কাখৎপা ৱানা থোক্লে, কাবা ঙমদ্রে।

সেনিয়রসিদদি করিমত্তা চঙবা ঙমদ্রে। নোর্থইষ্টকী টিম নত্তনা করিমত্তা লামশিনলুবা ঙমদ্রে। ৱাংবা খেন্নবা অসিসু মরুওইবা ফেক্টর অমদি ওইরে।

ঐগী অরোইবা দিজটেসনসিসু হান্না তৌখিবা প্রোজেক্ট ৱার্ককী টোপিকসিদা পেরামিটর হোংলগা তৌখি। মদুদদি বেষ্ট বেঙ্গলগী জুনিয়র বোল্লিবোল টিমগা মণিপুরগী টিমগা কম্পরেটিব ষ্টদি ওইনা তৌরগা পুথোকচখি।

হায়রিবসি দিজটেসন ওইনসু ফোঙজখি। মণিপুর বোল্লিবোল টিমগী মিনি অমদি জুনিয়রগী ময়েক শেংবা রিপোর্ট অমা পুথোরক্তুনা উৎপদুদা কল্যানি য়ুনিভর্সিটিগী ঐগী ওজাশিংনসু য়াম্না থাগৎপীখি।

নখোয়সিদি য়াম্না ফজনা লৈবজাৎনীদনা হায়না হরাউবসু ফোঙদোকপীরকখি। ঐগী তোপীক্তু য়াম্না ফজে, হাইটকী টুর্নামেন্ট অমা নহাক্না পাল্লবদু মুভ তৌবা য়ানবা মসিদি ইন্টরনেসনল জর্নেলদা ওইনা ফোঙলসি হায়দুনা কুমজা ২০১৩ দা ফোঙখি।

মালেমগী ওইনা ৱাফমসি পুথোক্তুনা খন্নবদা ওইথোক্কদবসু লৈ হায়না ঐগী গাইদনসু থাজবা পীবিরকখি। মতিক চাবা দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স পুথোক্তুনা খন্নরবদি ৱাংবা মান্নবশিংগী টুর্নামেন্ট শোয়দনা তৌবা য়াগনি হায়বসি ঐগী ওজাশিংনসু হায়বীরকপা লৈবনিনা মদু পুথোক্লবা হোৎনগে হায়বসি ঐগী ৱাখলদা লৈজে। মসিদগীনি ঐহাক্না কুমজা ২০১৫ দগী হিরমসিদা রিছার্স অমুক তৌজরক্লিবসি। ঐগী পূক্নিংনা খঙনীংলিবা থিজিন্নীংলিবশিংসি অমুক্তংদি মপূং ফাহনগে হায়দুনা হৌজিকসু ঐ লেপ্তুনা হোৎনজরি।

মীওইবা হায়বসি হোৎনববু লেপত্রবদি শোয়দনা রিজল্ট অমদি ফংগনি। য়াম্না ইন্টরেষ্ট লৈনা তৌজবনিনা ঐনা থবকশিং অসি তৌজবদা ইশাদা নুংঙাইজবা ফাওজে। অমরোমদা বোল্লিবোলসি মণিপুরী মচাশিংগসু য়াম্না চন্নবা গেমনি হায়না ঐদি লৌজে। হন্দক ঐনা চঙশিঞ্জরিবসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা বোল্লিবোল থৱায় য়াওনা শান্নবা ষ্টেট মরিগী কম্পরেটিব ষ্টদিনি। ষ্টেটশিংদুদি মথংশিংনা মণিপুর, কেরলা, টামিল নাদু, হরিয়ানানি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগী শান্নরোয়শিংগী শান্ন-খোৎনবদা হৈশিংবা, মখোয়গী ৱাং চাউবা, খোঙ খুৎকী অশাংবা, থবাক কোনবা, ফনবা, হকচাংগী শেপ, মওং মতৌ, শাওং শাদা মসিনচিংবদা প্লেয়র ২০/২০ গী মিজরমেন্ট ১২/১২গুম্বসি লৌই। প্লেয়রশিং অসিগী ষ্ট্রেংথ, ষ্টেমিনা, স্কিল মসিমসু পুথোক্লবা মখোয়না নেসনল কোচিং তৌরিঙৈ, টুর্নামেন্টদা পার্ফোমেন্স পীরিঙৈদসু কলেক্সন তৌই। হৌজিক রিছার্স ৱার্কসিসু চাদা ৭০ দি লোইশিল্লক্লে। -মথং-মথং

লেঙশিনবিরকউ /
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চূড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।
ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স




## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৪৯

1. মহাক টেনিস শান্নরোয়নি। মহাক্কী অচৌবা শক্তম অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সহর অমদা নূংনা শাদুনা থম্মী। মহাক হান্নগী ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ননি। মহাক কনানো?
2. মহাক বোল ৩৮১ দা রন ৩০০ হেন্না লৌদুনা টেষ্ট ক্রিকেটতা ইনিংস অমদা রন ৩০০ হেন্না লৌবা ঙমখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
3. ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) তা চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্রিকেট টিমশিংদা মরিরক য়াওখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?
4. মিটর ২.৪৫ অসি করম্বা এথলেটিক্স থৌরমগী মালেমগী রেকোর্দনো?
5. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪৮ কী পাউখুমশিং

(১) NUTMEJ (২) ত্রিপল জম্পতা মহাক্না মিটর ১৭.৩৯ চোঙদুনা সনা মেদল ফংবগীদমক মশীং অসি মহাক্কী কার নম্বর ওইনা পীখিবনি (৩) SHIVA THAPA (৪) IPHITUS AND LYCURGUS (৫) VIKTOR SANEYEV

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪৮ গী ৱিন্নর

*রীনা মাইস্নাম, শিংজমৈ চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)*

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৪৮ কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

**জুন ০৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

## টোপ সীদ নিংথেম অমসুং বিট ইরোম্না মাঙজিল থানা চৎলি

ইম্ফাল, মে ৩০ : মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী থৌশিল মখাদা শিংজমৈ চেছ ক্লব ইম্ফালনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী প্রেমিজেসতা প্লে চেছ ফোর বেটর লাইভ হায়বা থিমদা চথরিবা অনীশুবা ফেজগী সন্দে ওপন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টকী থা অসিগী ২৮দা শান্নখিবা ১০ শুবা রাউন্দ মেচ লোইখিবা ফাওবদা টোপ সীদেদ অমদি নেসনল প্লেয়র ও নিংথেম অমসুং ভেটরান প্লেয়র বিটইরোমনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা মখা তানা মাঙজিল থানা চৎলি।

ভেটরান প্লেয়র বিট ইরোমদি মহাক্কী মেচ মায়থীখ্রবসু পোইন্ট ৮ ফংবা ঙমদুনা মাঙজিল থাবগী লিষ্টতা য়াওবা ঙমখিবনি। সেকেন্দ সীদেদ ঈ সসিকান্তা অমদি নেসনল প্লেয়র ঐচ মনিতোন অনীনা পোইন্ট ৭.৫/৭.৫ ফংমিন্নদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখি। লোকেল ফেবরাইট এস ধনচন্দ্রনা পোইন্ট ৬.৫ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। অদুগা ভেটরান এ সরতনা পোইন্ট তরুক ফংলবা মরিশুবা মফমদা লৈখি। লোকল প্লেয়র এ কে সঞ্জয় অমদি প্রোমিজিং প্লেয়র ঐচ হেরোজিৎনা পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা মঙাশুবা মফমদা লৈখি।

